# “য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মখূৎতা লানগী ৱারোইশিন”

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি
উশম ধরমেন্দ্র



মণিপুরগী মীতৈ মীয়াম য়াম্না ৱানা মথোঙ খঙদবা পূন্সি মহিং অমদা হিংলকপা কুইরক্লে। মীয়াম্না খঞ্জখিবা মীহুৎশিংনা মীয়ামগী য়াইফনবা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌখিদবনা মীয়ামগী পূন্সিনা তংদু লৈতাদ্রিবনি। ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীহুৎশিং অসিগী মতমদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিদি পুৱারীদা মূৎনাইদনা অমুবা ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরগনি। অসুক চরাংনবা, অসুক তুশোন্ননা মশাগী মরমদমদা য়েলহৌমী মীতৈশিংনা লেল্লিবা পূন্সি মহিং অসি অমুক হন্না থোক্তবা ওইসনু। মসিনি মীতৈ মীয়াম্না শোন্নরিবা। ঙসি ঙসিমকসু শান্তিগী লম্বী নাখৈ ইশেং শেংদরি।

মীতৈদি শান্তি পাম্মী। ঈংনা-চিক্না মশাগী হৌরকফমসিদা শূ-নোমদুনা হিংজবা পাম্মী। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা ফূরুপ কুন্থ্রামঙা অসিগী অপূনবা শক্তম শাগৎতুনা ওল্লক্লিবা মালেমগী য়াওলদা ইরোইননা চত্তুনা মীথোই মীহেনবা লমদম অমা ওইহন্নীংই। মীতৈশিংনা ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’ গী ৱাখল্লোন্দা অচেৎপা য়ূম্ফম লমদমসিদা শেম্নবা হোৎনরিবনি। অদুবু য়াদে। শান্তি থুগাইনীংবা অপূনবগী শক্তমদা শীংনবা মণিপুরবু মচেৎ তানা কায়হন্নবা হোৎনবশিংনা অদুমক মাঙদা লেপ্লরি। অদুগুম্বা তমথীখ্রবা কাঙলূপ অমনি কুকি ফূরুপ্না কোনশিল্লিবা মীওইশিং অসি। মণিপুরগী মতা ফবা লৈহাও লৈবা চীংমাইশিং পাক্তক্লনা কোকথৎতুনা পোপী পাম্বী থারে। আইন্না য়াদ্রবা দ্রগকী করবার খুমাঙ চাওশিন্না তৌরে। শেঞ্জাও তানশিল্লে। গেঙ খূৎপু কয়া শেমগৎলে। অফবা মখলগী লানগী খূৎশু-খূৎলায় লৈশিল্লে। মখোয়গী মরমদম ম্যান্মারদগী মণিপুরদনা হেন্না নুংঙাইবা হেনবনা লেপ্পা লৈতনা চেনশিল্লক্তুনা খুন্দাশিল্লে। মমৈথংদা মখোয়না তৌনীংবা তৌবা য়ানবা মণিপুরবু অনীশুবা ‘গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল’ ওইহন্নবা তোঙান্না লৈজরগে হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা ‘সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন’ তাল্লক্লে। মসিনি ঐখোয়না উরিবসি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা সিপরেট এদমিনষ্ট্রেশন তাল্লগা মীতৈ মীয়ামদা জিনোসাইদ কেম্প্যেন চত্থরকখিবনি। মসিদগী ঈরাংসি লোইশিনবা য়াদনা ৱারোইশিন লৈতনা লাকখি। নাকল অমরোমদা ষ্টেট লৈঙাক্না মতু মমান ইশোন শোন্না কুকি টেররিষ্টশিং অদুবু লাকশিনবা ঙমদনা লাকখি অদুগা অমুক ষ্টেট ফোর্সশিংদা মতেং পাংবা লাক্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা ফোর্সশিংনা উচুক য়ুংবগুম অদুমক কুম্মৈ য়েংদুনা লাকখি। মসিনি ঐখোয়না থেংনরকখিবসি। পূম্নমক্তুগী তাঙ্কক্তু হৌখ্রে। মশীং হেন্দোক্না শুজরবসু লৈঙাক শেম্বা ঙমজদবা মতিক চাদবা মীয়ামগী মীহুৎনা লৈঙাকপা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অদু উথাইদুনা ‘সস্পেন্দেদ এনিমেশন’ দা থমখ্রে। গভর্ণরনা শক্তি পূম্বা পায়শিনখ্রে। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী দিরেক্সনদা থবক তৌবা হৌখ্রে।

ষ্টেট ফোর্সশিংনা তৌগদবা মথৌ তৌরক্তবা অমসুং মতেং পাংবা লাক্লিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা কুম্মৈ য়েংবগুম য়েংদুনা লৈখিবদগী তঙাইফদনা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী তেঙ্গোল্লোইশিং অমসুং অতৈ ভোলন্টিয়র ফোর্সশিং মরৈবাক কন্ননবগীদমক্তা খূৎতা অরৈবা খূৎলায় পায়দুনা থোরকখিবনি। মফম্না মতম্না শান্তি ওইনা মহে-মশিং তমদুনা অমসুং নৌনা য়ূম্বাল পূন্সিদা খোঙদাদুনা হিংনবগী লানফমদা অচঙবা মী ওইনা লৈগদবশিং তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ তৌদুনা ইরমদমসি ঙাক্লকখিবনি। ঙসিদি সস্পেন্দেদ এনিমেশন থমদুনা লৈঙাক চলাইরকখ্রবগী তুংসিদা শান্তি পুরক্লবগী খোঙথাং ওইনা আইন্না য়াদবা অমসুং পুলিস ষ্টেশনশিংদগী লাকখিবা নোংমৈশিং অমসুং অতৈ খূৎশু-খূৎলায়শিং পীখৎলক্লবা গভর্ণরনা থোরকপা ওর্দরগী মতুংইন্না অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মায়কৈদগী পীখৎপা হৌখ্রে। কুকিশিংগী মায়কৈদগীসু অদুমক পীখৎনরি। অদুবু য়েংবা য়ারিবদি মীতৈশিংগী মায়কৈদগী পীখৎনরিবশিং অসিগা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগী মায়কৈদগী পীখৎনরিবা অসিগা চাংদম্নবদা মখোয়গীসিনা অসুক্কী মতিক য়ামদ্রি। মসিদা ঐখোয়না ইখঙ খঙনরিবা ৱাফমদি কুকি টেররিষ্টশিংনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনবদা ষ্টেট লৈঙাক্কী মথক্তা লান হৌবদা অমসুং মীতৈ মীচম মীয়ামদা জিনোসাইদ কেম্প্যেন চত্থবদা য়ু এস এ অমদি চাইনানা শাবা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় শীজিন্নে হায়বসিনি। মদুগুম্বা অফবা মখলগী খূৎলায়শিং মখোয়না পীখৎলকপদা কয়াম য়াওরিবগে হায়বসি য়েংবা য়াই। প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং কাঙলোন চুম্না, মীচং-মীখাই নাইদনা পায়খৎহন্নীংই। মীতৈশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ‘রুল ওফ লো’ বু ইকায়খুম্নে। মদুগী ময়েক লারবা খুদম্নি খুল ঙাকপগী থবক তৌরিবা মীতৈ নহাশিংনা গভর্ণরনা থোরকপা ওর্দরবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা আর্মস এন্দ এম্ম্যুনিশন পীখৎলক্লিবসি।

ষ্টেট লৈঙাক চলাইরিবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরগী ঈরাং অসি হৌরকপগী মরম অমসুং ওইরক্লিবা মওং য়াম্না মুন্না খঙলমগনি। ‘অচুম্বনা জয় ওই’ হায়বসিদা গভর্ণরসু থাজরমগনি। মীতৈগী খুল ঙাকপা নহাশিংনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপা ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা মিলিটেন্টশিং অমসুং লমদমসিগী কুকি মিলিটেন্টশিং অনীনা খূৎশম্নদুনা চত্থরকপা টেররিষ্ট এটেকশিংবু থেংনবা অমসুং মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লবা হোৎনরিবসি ইন্দিয়াগী অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনরিবনি। কুকি টেররিষ্টশিংনা তম্পাক্কী লোইজিং লোয়াদা খুন্দারিবা মীতৈশিংদা লান্দাবদা রোকেট বোম শীজিন্নখ্রবনি। দ্রোন বোম্বিং তৌখ্রবনি। মতাংসিদা দ্রোন বোম্বিং তৌদুনা মীতৈশিংদা এটেক তৌই-তৌদে হায়না ইন্দিয়াগী লাম্মীগী মকোক থোংবশিংগী মায়কৈদা য়েৎনখিবদু ইন্দিয়াগী ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী এন আই এনা পীখৎলকপা রিপোর্টতা মরীক চুম্না ফোঙদোকখ্রে। ইশম শম্না নার্কো টেররিষ্টশিংগী শেলগী শক্তিনা নেশনল মীদিয়া, মকোক থোংবা ওফিশলশিং হুমদুনা পুবনি হায়বসি অসুম অসুম ময়েক শেংনা উৎলক্লি।

লোইশিল্লকপদা, নার্কো কুকি টেররিষ্টশিংসিনা নমদুনা থোকহনবা লানসিনা সুম চত্থরকপনা চহী অনী শুজিল্লক্লবনি, মসিনা চাওখৎ খোঙথাংদা অসুক্কী মতিক মনীং হল্লবনি। মদু কুপখৎনবা মেনখৎনবা হোৎনবদা মতম কয়া চঙখিগনি। প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক্না মণিপুরসিবু করম্বা মায়ওন্দা পুগদৌরিবনো হায়বসি মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি, য়েংনরি। নোংমৈ অমসুং অতৈ খূৎশু-খূৎলায় খূৎশিন্নখিবা মতমদা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী তেঙ্গোল্লোইশিংগা লৈঙাক্না য়ানখিবা ৱাফমশিং লৈঙাক্না ঙাক্না চৎলক্কনি হায়বগী থাজবা মীয়াম্না থম্নরি। য়ান্নখিবা ৱাফমশিং অদুদা করিগুম্বা কুকিশিংনা মীতৈদা লান্দারকপা থোক্লবদি অরাম্বাই তেঙ্গোলনসু খূৎ হনবা অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোল য়াওনা ভিলেজ ভোলন্টিয়রশিংদা জেনরেল এম্নেষ্টি পীবগী ৱাফমসু য়াওখি। অদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কাউরোইদবসি থোক্লিবা লানসি কুকি টেররিষ্টশিংনা হৌরকপনি মীতৈশিংনা মদু ঙাকথোক্তুনা মশা কঞ্জনবা হোৎনবনি হায়বসিনি। করিগুম্বদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ অমুক কাপথরক্লবদি লান অদুম হৌরে। অদুনা লানসি মখা চত্থহল্লরোই হায়রবদি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না কুকি টেররিষ্টশিং লাকশিনবদা লৈরে হায়না থমজরি। ●

# মালেমগী ৱাখল ৱাংথোইবশিং - ১১

## চন্দ্রশেখর ভেনকতা রমন (সী ভি রমন) নবেম্বর ৭, ১৮৮৮- নবেম্বর ২১, ১৯৭০

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



“নঙনা ঐঙোন্দা চহী ৫দং সাইন্সকীদমক হোৎনবদা চঙবা মচাক ৱাৎহনবীদ্রবদি চহী মঙাদুদা ঐনা নঙোন্দা নোবেল প্রাইজ অমা খুদোল তম্বা ঙমগনি। মরমদি হোৎনবা লেপতবা, খাঙবা কনবা হায়বসি সাইন্সনা পুরকপা মীংচৎ অমগী মমল তাঙই হায়না লৌদবা খূইলায় অমনি।” ৱাফম অসি ফিজিক্সতা ইন্দিয়াগী ইহান হান্না কুমজা ১৯৩০দা নোবেল প্রাইজ ফংখিবা চন্দ্রশেখর ভেনকতা রামননা হায়খিবনি। সী ভি রমন কুমজা ১৮৮৮গী নবেম্বর ৭তা টামিল নাদুগী টিরুচিরাপল্লি (মদ্রাজ) দা পোকই। অপোকপনা চন্দ্রশেখর রামানাথন অমদি অপোকপীনা পারভথি অন্মাল কৌই। মচিল-মনাও ৮গী মনুংদা মহাক্না অনীশুবনি। বিনা খোংবী লোকসুন্দরিনা সী ভি রমনগী লোয়নবীনি। মহাক্না ফিজিক্সতা নোবেল প্রাইজ ফংবা অসি ইন্দিয়াগী অহানবা মীশক ওইখিবতা নত্তনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অহানবসু ওইখি। নেচরগী ফজবদা থৱায় লুপখি। নাকোংনা তারিবা তাইবঙপানগী খোঞ্জেলশিং অসিবু হারমোনিয়ম ওইহন্নবা নৈনখিবা নৈনরোই অমনি। নোবেল প্রাইজ ফংদ্রিঙৈগী মমাঙদা ১৯২৮দা মেটিউসি মেদল ফংখি। কুমজা ১৯৫৪দা ভারত রত্না অমদি কুমজা ১৯৫৭তা লেনিন পিছ প্রাইজ ফংখি।

সী ভি রমন মশাগী চহী ১১ শুরকপদা ফর্ষ্ট আর্টস (পি য়ু সী) পাস তৌখি। চহী ১১দা ঙাইরিবা অঙাং অমা গ্রেজুএশনগী ক্লাসতা ওজা চঙলকপা ঙাইদুনা লৈরমখি। ইংলিসকী প্রোফেসর ইলিওটনা ক্লাস অদু চঙলকই। লৱার ক্লাসকী অঙাং অমা ক্লাসতুদা ফমদুনা মহৈরোয় ময়ামদুগী মরক্তা য়াওরম্বদুদা ইলিওটনা ক্লাস অদুগী মহৈরোয় অমনি হায়বা তশেংনা থাজখিদে। “ইবুংঙো নঙবু করম্বা ক্লাসকী মহৈরোয়নো? চৎলো চৎলো ক্লাস হৌগদৌরে” হায়রুই। অঙাংদুনা খুন্নকই “মসি ঐনা মিং চল্লিবা ঐগী ক্লাসনি” ইলিওট য়াম্না ঙকখি। চহী ১১ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমনা গ্রেজুএশনগী ষ্টেন্দর্দতা মাগী ক্লাসনি হায়রক্লবদা ওজা অদুনা অঙাংদুদা ৱাহং মখল-মখল হংদুনা চাংয়েং তৌখি। নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা কোলেজ অদুগী ওজা পূম্নমক্না রমন করম্বা মখলগী মহৈরোয়নো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙখি।

নোংমা কোলেজ অদুগী প্রিন্সিপালগী কাদা ওজা পূম্নমক্কী মীটিং অমা পাঙথোকখি। মীটিং অদু অখন্নবা রমনগী মরমদা পাঙথোকপনি। ওজাশিংনা প্রিন্সিপালদা হায়রিবদি রমন হায়রিবা অঙাং অসিদা হংলুবা ৱাহংগী পাউখুম ইরায় লায়না খুম্বা ঙম্মী। তমদ্রিবা ক্লাসতুগী সবজেক্টশিং লোইনা পারবা-নৈনরবা, মমুৎ তানা খঙলবা অমগী মওংনি। মাগী লেভেল অসিদা ঐখোয়না ক্লাস লৌরবদি অতৈ মাগা মান্নবা ক্লাস য়াওগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা ৱাখল তাবা ঙমগনি হায়বা থাজদ্রে। অদুগা অতৈ মহৈরোয়শিং অসিনা খঙগদবা লেভেলদা ক্লাস লৌরগনা সী ভি রমননা তানীংগদবা ওইদে। মরম অসিনা অঙাং অসিগীদমক অলটর্নেটিভ এরেঞ্জমেন্ট অমত্তং শিনবীয়ু হায়বগী মীটিংনি। প্রিন্সিপাল অদুনা মুন্না খল্লবা মতুংদা নোটিস অমা থোক্লে। নোটিস অদুগী মতুংইন্না সী ভি রমননা ক্লাস য়াওনীংলগা য়াওবা, য়াওনীংদ্রগা তোকপা মতমদা এটেন্দেন্স পার্সেন্টেজ শুবা নৎত্রগা শুদে হায়বগী ৱাফম লৈরোই হায়বসিনি। ৱাফম অসিনা রমন অয়াম্বা মতমদা ক্লাস য়াওদে। লাইব্রেরিদা মানা খঙনীংবা খঙনবা অৱাংবা লেভেলগী লাইরিকশিং পারম্মী। অদুবু এগজাম খুদিংদদি মহাক টোপ্পর হায়বা মিংথোলসি মাগী কোটা ওইখি।

মদ্রাজ য়ুনিভর্সিটিদা বি এগী ষ্টেন্দর্দ লোইরবা মতুংদা ওজাশিংনা মাবু কেম্ব্রিজ য়ুনিভর্সিটিদা তম্বনা ফগনি হায়বা সজেশন তৌখি। রমননসু ওজাশিংগী সজেশন অদু পামখি। মহাক অসি মদ্রাজগী লাইরিক হৈবশিংনা সেকেন্দ রামানুজান হায়নফাও খঙনখিবনি। মতমদু বৃটিশ ইন্দিয়া লৈঙাক লৈবা মতমনি। ইন্দিয়াদা সাইন্স হায়বা সবজেক্ট অসি তম্ফম লৈতবা মতমনি। কেম্ব্রিজদা চৎলবদি সাইন্স তম্লনি খনবদা ৱাখলদা নুংঙাইবা ওইখি। মতমদুদা কেম্ব্রিজদা চৎপা হায়বসি ফিজি কেল্লি ফিট ওই হায়বগী মদ্রাজ মেদিকেল কোলেজনা পীবা চে অমদি চঙই। চে অদু ইগদৌরিবা ডাক্তর অদুনা অঙ্কগী নিংথৌরেল ওইখিবা শ্রীনিভাস রামাজুজাননা পূন্সি তেনখিবগুম ওইগদ্রা খন্দুনা অরানবা রিপোর্ট অমদা সী ভি রমন হকচাং ফিট ওইদে হায়খি। অদুবু রমননা মাদি অমুক্তা নাদ্রি। শিবা নুমিৎতা নত্তনা অনাবা মী ওইরোই হায়নফাও য়েৎনখি।

ডাক্তর অদুনা রমনবু নুংশিবা অমদি পাম্মুবগী অরানবা রিপোর্টনা মরম ওইরগা কেম্ব্রিজদা সাইন্স তম্বা চৎপা ফংখিদবদুনা মপা লৈতনা নীংবা কায়বা মীশক অমা ওইহনখিবনি। অদুবু ইমুং-মনুং অমদি ওজাশিংগী পাউতাক মতুংইন্না রমন এম এ তমথখি। এম এদসু রমন টোপ্পর ওইখি। এম এ লোইরগা মখা তমথনবা নৎত্রগা রিসর্ছ তৌনবা লৈতবদগী য়ু পি এস সীগী এগজাম য়াওশিল্লে। এগজাম অসিদসু টোপ্পর ওইরে। হৌজিক্তি কোলকটাদা এসিষ্টেন্ট একাউন্ট জেনরেল ওইনা থবক খল্লে। করিগুম্বা অমা তৌদনা লৈবা হৈনদবগী ওইনা কোলকটাদা থবক অদু জোইন তৌবা তাখি। রমন অয়ূক অঙনবদা ৱাকিং চৎপা অসি মাগী রুটিন ৱর্ক ওইরম্মী। নোংমা মানা ৱাকিং হল্লকপদা নুংশিরবা ‘বিনা’ খোংবগী মখোল অমা তাখি। মখোল তারিবা য়ূম অদুদা ইকায় ইকি হুন্দোক্লগা চঙশিন্দুনা থিরুই। য়ূম অমগী মাঙ্গোলদা ঈং-তপচবী মতৌ লোয়নরবী লোকসুন্দরিনা ত্রেদিশনেল দ্রেশ শেৎতুনা নীংথিনা বিনা খোংবদু উরুবদগী ঙাওখি।

ৱাকিং হল্লক্লগা মমাদা হায়জৈ। ইকায় ইকি হায়বদো খঙদবা মতৌনি। “ইমা নচা ৱা অমত্তা হায়জগে শোয়দনা য়াবীয়ু।” মমানা নোক্লদুনা “ইচানা হায়বা ৱাবু ইমানা করিগী য়াদনি। নঙনা কেম্ব্রিজদা মহে তম্বা ফংদবগী নীংবা কায়খিবা মায়থোঙগী মমি ইমাগী থম্মোয়দগী ঙসি ফাওবা কোক্ত্রিবনি। হায়য়ু হায়য়ু করিনো?” লৌথুপ-লৌকোই তৌদনা “লোকসুন্দরি কৌবী নুপী বিনা খোংবী অমা ঐখোয়গী লৈকায়দা লৈরিবসে খঙব্রা? মমানা পন্থদনা খুম্মী “করিগী খঙদনি। মমা-মপাদো ঐখোয়গা তিন্নবনি। করি তৌরে?” থাজবা অমগা লোয়ননা মতম শাংহন্দনা “ইমা লোকসুন্দরিবু ঐগা লুহোংবীয়ু। মাগী ‘বিনা’ গী মখোলসে নচানা তাইবঙপান্দা মীংচৎ তানবদা অচৌবা পাঙ্গল হাপকনি খল্লুরে।”

মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু ময়ূম-মকৈ পানবীবগী তঙাইফদবদুগা লোয়ননা কোলকটাদা লৈঙাক্কী থবক তৌদুনা লৈরগদবা অদুগা মরী ইরৈ লৈনহল্লগা লোকসুন্দরিবু মমৌ ওইজরগে হায়নরে। লোকসুন্দরি মশা অমদি মমা-মপা, ইমুং-মনুংনা রমনগী অফবা টোপ্পর ওইখিবশিংগী ৱা খঙবনা খন্থনবা তৌদনা য়ানরে। লুহোংলে। লোকসুন্দরিনা মপুরোইববু খ্বাইদগী অথোইবনি খঞ্জখি। মপুরোইবগী অপাম্বা পাঙথোকপসি মাগী মপোক্কী শোয়ফদ্রবনি খনখি। রমননা থাজবা অমসু লৈরি। মহৌশাগী ফজবশিং অসি রিসর্ছ তৌবশিংগী মচাক ঙাক্তনি। কোলকটাগী ‘বহু বজার’ হায়বা মফম অদুদা রমন-সুন্দরি লৈমিন্নরে। রমননা সেকেন্দ অমগী মমল য়াম্মী খল্লি। মানা হকচাং ঙমদবা হায়বদুগী মতম খায়দোক্লোই খঞ্জবা অমসু লৈরি। মরমদি মদ্রাজগী মেদিকেল কোলেজগী ডাক্তর অদুনা মাবু মশা ফত্তে হায়বা রিপোর্ট পীরকপা মতমদা হায়খিবা শিবা নুমিত্তু নত্তবা অতোপ্পা নুমিৎ নৎত্রগা সেকেন্দ অমত্তদসু হকচাং ঙমদবদগী থবক লেপ্পা হায়বদু তৌরোই হায়না খল্লিবনি।

নোংমা রমননা ওফিসতগী হল্লকপা মতমদা লম্বী মপানগী বিল্ডিং অমদা সাইনবোর্দ অমা উখি ‘ইন্দিয়ন এসোসিএশন ফোর কলটিভেশন্স ওফ সাইন্স’ হায়বা ৱাহৈ অসিদা সী ভি রমন পুমঙাও ঙাওখি। সাইন্সকী মফম লৈত্রিবা ইন্দিয়াদা অসিগুম্বা ওফিস অমা লৈরগনি হায়বা নোংমতসু খল্লুদবনি। ওফিস অদুনা তৌরিবদু করিনো শোয়দনা খঙদবা য়াদে হায়না পূক্নিংদা লেপ্লে।

(প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোনগা উনরুবগী মথং-মথং...) ●

# পূন্সিগী লম্বী লমশাংদা - ২

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ষ্টেট ওইরে মণিপুর, মশাগী ওইবা সর্ভিস কম্মিশন লিংখৎলে, মেদিকেল কোলেজ ওন্থোকখ্রে জেনরেল হোস্পিটালদু রিজনেল মেদিকেল কোলেজ ওনখ্রে। বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেশন মণিপুর হাংদোক্লে। মেত্রিক পরিক্ষা থাবদা অসাম বোর্দকী মখাদা চত্তরে। মসি পূম্নমক পূন্সি লম্বী লমশাংনি। পূন্সি হায়বসি থবক্লি, থবক হায়বসি ঈশ্বরনি। মীওইবা ঐখোয়গী চাওখৎপগী ঙমখৈ লৈতে, চাওখৎপা হায়বা অসিনা মীওইবা খুদিংমক্কী তঙাইফদবনি। মতমগী ঈচেল লেপ্তুনা চেল্লি, কনানসু থৎপা ঙমদে। মতম মানসু কনাবুসু হন্না য়েংলমদে। লৈখিদ্রবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবীরম্বা য়ংমাসো শৈজাগী মতমদা মণিপুরগী স্কুল, কোলেজ কয়া লৈঙাক্কী মপূং ফাবা ওন্থোকপীখিবা মতমদা শেনখাই-থুমখাই লৈখিদে। মসিদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী শিন্মী লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা খুদিংক্কী অচৌবা খুদোল অমা ওইনা সেন্ত্রেল পে চৎনবা হৌহনবীখি। ১৯৭৮ অসিমক মতমদুগী হায় স্কুল কয়া অমদি কোলেজশিংদা ওজা ওইরিবা অমদি গভর্নিং বোদি অমদি ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্কী শিন্মী পূম্নমক্কী মফমদদি গোল্ডন ইরা অমনি।

মৈবু ফিনা কয়াম কুইনা কুপশিনবা ঙমগনি। অফবা মৈতাল অরাবা হায়দুনা হায়নবগুম্না লৈবাক্কী লুচিংবা ফরগা লৈবাক অদুগী মীয়াম হরাও নুংঙাইনা, ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতানা হিংবা ঙম্মী। লৈঙাক অদুগী লুচিংবা ফৎত্রবদি লৈবাক মীয়াম কাং-খোং চাইদুনা মায়কৈ সলাই খঙদনা চেন্দুনা হিংবা হায়বা অসি ইপা-ইপুনা তাকপীরম্বা পাউতাক্লি। চৎলিবা পূন্সিগী ঈচেলদি খাম্বসু ঙম্লোই। ঙসি ফাওবদা মতমগী ঈচেলগী মায়োক্তা কনাসু লেপ্পা ঙমখিবা লৈত্রি। ফত্তবনা ফত্তনা, অফবনা ফনা মীয়াম্না লোইনা খঙই, লোইনা উরিবা ঙাক্তনি। তরেৎ শেঞ্জানা লৈবা মীংচৎ কুইবা য়ারোই। ইন্দিয়াগী মহাত্মা গান্ধী (জাতিগী মপা) কুমজা ১৮৬৯গী ওক্টোবর ২, থাংজ নুমিৎতা পোরবন্দরদা পোক্লগা কুমজা ১৯৪৮, জন্যুৱারী ৩০ ইরাই নুমিৎকী বিরলা হাউস ন্যু দেল্লীদা নুংথিল পুং ৫.০৫ চৎপা মতমদা লৈখিদে। ঙসিদগী চহী ১৫৬কী মমাঙদা পোকখিবা লৈখিদবনা চহী ৭৭শুরবা মোহনদাস করমচান্দ গান্ধী ইন্দিয়াগী সিটিজেনশিংনা করম্না কাউথোকপা ঙমগনি। মসিনি পূন্সি লম্বী লমশাংদা মাগী কম্মগী মহয় ঐনা তৌবনা ঐনা, মানা তৌবনা মানা, অফবা থবক তৌবনা অফবা ফিদা ফংই, ফত্তবা থবক্না মীয়ামগী মীৱা মৈশা ফংবা তাই।

ঙসিদগী হয়েং, হয়েংদুনা ঙসি অমুক, ঙসিনা অমুক ঙরাং ওইখিগনি, চৎখিগনি মতম মাগী খোঙচৎতি লেপ্পা নাইদনা মীওইবা ঐখোয়গী পূন্সি ময়েং তারকপা, শাম্বা পাঙ্গল শোঞ্জিল্লকপা মতমদা অকক্লবা মতমগী পূন্সি চেঙজেল পুদুনা লাকপা ওইবনা অফবা ডাক্তর কয়ানা লায়েংলবসু অশিবা মাগী খয়াৎতগী কনবা কনানসু ঙমদ্রি। শেঞ্জাও পায়বা মমিং লৈর-লৈরবা কনাসু অশিবগী খয়াৎতগী নান্থোকপা ঙমখিবা লৈত্রি। তোঙান তোঙানবা ৱাখল লৌশিং লৈবা থবক তৌবা মতমদা মপা চাবা অহল-লমননা হায়নবা পাঙল ইনাক খুনবনা লংবা তুপীদি ঙানু থোইদিংনম উপশিল্লি অদুগা লায়রবা পাঙলনা লংবা তুপীদি অমাংবা অকংবা উপলম্মী হায়বসু লৈ। ইনাক খুল্লে, শেঞ্জাও পায়রে হায়বা ৱাৎত-পাদবনা মাগী শরুক ওইরবা , শেৎপা মনিং, চাবা মখা তমদুনা থোইদোক হেন্দোক্না শকখঙ মায়খঙনরবা কয়াগী মাগী-মাগী মতম লোইরবদা করিসু পুদনা খূবাক তিংনা হনখিবা ঙাক্তনি। য়ূম, গাড়ী, থোং অমনবা খুদিংমক শেমজিন শাজিন্দুনা চহী ১০/২০ মতম মীয়াম্না শীজিন্নবা ঙম্মী। মীওইবা ঐখোয়দি অকক্লবা মতম খরগী মাগী-মাগী পুরকপা পূন্সি চেঙজেল অদুদগী খুবৈ অমা কান্থোকপা, নান্থোকপা কনাসু ঙম্বা লৈতবনি।

মীওইনা পোকখ্রবা মহাপুরুষ কয়া মানা-মানা তৌরম্বা কখোল্লম্বা দানদি লৈহৌই অদুগা মাগী পূন্সি চেঙজেল অদুদি হৈদোক-হৈজিন, শেমদোক-শাদোকপা কনাসু ঙমদ্রিবনি। শক্তি লৈবা তৌগেদা ঙম্বা, মানা ঙাঙবখক্তা তাও, মানা ঙাঙবনা অচুম্বনি হায়দুনা অথোই নাপল কারম্বা কয়াসু মতম মানা পুরকপা চাকথুং ফংখিবা ঙাক্তনি। মসিনি পূন্সি লম্বী লমশাংগী তাঙ্কক-তাঙ্কক নাইনা থেংনবা অৱা-নুংঙাই কয়া। মীওইবা ঐখোয়গী পূন্সি খোঙচৎনি। উমংগী শা পূম্নমক্কী নিংথৌ নোংশা মাগী ৱা খুদিংমক উমংগী শা পূম্নমক তায় মরমদি মাগী শক্তি পাঙ্গল অদুনা মাগী মতম লোইরক্লবা, পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা মতমদদি মানা হায়বদা তারম্বা মাগী মমাঙদা ফৈনা লানবা ঙম্লমদবা, মাগী মচীঞ্জাক ওইরম্বা শা কয়ানা মমৈ খরা চিক, মনা খরা লাক তৌদুনা খোংলগা খাঙবা নত্তনা করিসু পাম্বৈ লৈতনা ময়াদা হয়িং ৱা-ৱা ইন্দুনা অরোইবা পুংফম ঙাইবা ঙাক্তনি।

য়ংমাসো শৈজাগী লৈঙাক লোইখিবগা মাগী মতম লোইরদুনা ১৯৮০দা মণিপুরদা মহৈরোয় খুন্নাইনা মীরৈবাক মচাগী অচৌবা ঈহৌ লাকখি। মণিপুরদা মীতোপ মীয়ান লৈবা য়ারোই ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহনবীয়ু হায়দুনা মহৈরোয় খুন্নাইগী অকনবা ঈহৌনি মতম অদু। মসিগী মমাঙদা কংলৈ লিগ হায়বা পোলিটিকেল পার্টি অমগী থৌবুরেল কয়ানা মখোয়গী মীখলগী মরু ওইবা ৱাফম ওইনা মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎনহল্লু, মীতোপ মীয়ান্না নোংম-নোংমগী ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলকপনা মীতোপ্না নোংমদি শোয়দনা লিলনা হঙোই য়োৎপগুম্না য়োৎখ্রগনি হায়দুনা লাউখি। ত্রিপুরাদা ত্রিপুরিশিংনা চীংখোঙদা, চীংয়াদা, লোইজিং লোয়াদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরিবা পূন্সি মহিং অদু ঐখোয়গী মণিপুরদা ওইরক্তনবা হোৎনসি লাউবীরমখিবনি। কাংপোকপী জেনরেলগী সিটনি, মীতোপ মীয়ান্না টর্ম অহুল্লক কারম্মী। ঙসিসু নার্কো টেররিষ্টশিংগী মীচংদা লৈবা মীনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা এ সী অসিদা কারক্লগা মীতৈগী অমদি লৈহৌমীগী মায়োক্তা থবক তৌদুনা মখৌ পোংনা লাউরি ‘কুকিলেন্দ’, সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন, য়ুনিয়ন টেরিটরি হায়না। ঐখোয়গী মণিপুর করি হায়রগা করি তৌনরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা পুনখিবনো, কদায়-কদায় ফাওবনা মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা কুশি রাসি পংতৌ তৌবা য়াদবা কয়াদুদি নোংমা ফাওবা পাদনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন, য়ুনিয়ন টেরিটরি লৌরগা কুকিলেন্দ হায়বা মালেমদা লৈতবা মশাগী হৌরকফম মথোং মরম খঙদবা কোইচৎ চৎপা, পংচা চাবা, পংলৈ লৈবা ফূরুপকী ওইবা লম অমা শেমগনি হায়দুনা মীওৎ-মীনৈ, মীহাৎ-মীপূন তৌবা, লুট -পাট তৌদুনা লন-থুম মুনবা কয়ানা মাঙদা থারগা পোৎ নীববু কনানা কনাদা পীদৌরিবা।

ঐ অমদি ঐখোয়না তৌরিবা থবক অসি কদাই ফাওবনা অচুম্বা খোঙথাংনো, কদাই ফাওবনা অরানবনো খনবা মী অমদি ফূরুপ অদু চাওখৎপা লৈবাক মচা তাবা খুন্নাইনি হায়না মীয়াম্না লৌনৈ। মদু খনবা ঙমদবা অমদি খন্থবা শুকঙম ঙল্লরোইদৌবা কাঙলূপ-ফূরুপ অমদি ওইহন্নীংদে। কুমজা ১৯৮০দু মীতোপ মীয়ানগী ওইবা নাখৈ শেংনা কনানা কনানো হায়বা ময়েক শেংনা খঙদোক্লবা মহৈরোয় খুন্নাইগী অকনবা ঈহৌ মতমনি। পূন্সি লম্বী লমশাংদা থেংনবা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোক কয়ানি। চাওখৎপা লৈবাক মহে-মশিং মতিক চানা হৈবা, ৱাখল খনবা ঙম্বা মীওই কয়ানা পুনবা খুন্নাই অমা ওইরকপা অসি অলাউদ্দিন লেম্পতৌনা হেক্তা ওইবা য়াবা নত্তে। মথং মথংনি। পূন্সিগী শাংলবা লম্বীসিদা কনানা কনানো, মানা-মানা তৌরম্বা দানদুগী মহয় মীয়াম্না অদুম্মক ঈজৎ-সনমান পীরকপা অঙকপা নত্তে। লৈবাকসিগী মফমদা মানা-মানা তৌরম্বা দান অদুগী মহয়নি। কনা কনাগুম্বা মীওই খরনা হৌখিবা লৈঙাকপু হেক হেক চৈ থাংবা, মরাল কয়া পীশিন্দুনা সোশল মীদিয়া কয়াদা অমদি মীয়াম তিনবা মফম কয়াদা ঙাঙলিবা-শক্লিবা খুদিংমক অসি অফবা খোঙথাং নত্তে। হৌখিবা কয়া হৌখ্রসনু। ঙসি করি তৌবা তাই। মচিন থিবা খঙদ্রবশিং মচিন পুথোক্লগা মচা তানা অরাইবা মওংদা থম্বা অসি মীওইবা খুন্নাইগী মচৎনি। হেন্না হেন্না লুশিলহনবা, হেন্না হেন্না খুদোং চাহনদ্রবদি নীংবা কায়রবা কায়রবী কয়ানা পূন্সিগী মমলবু করিসু ওইনা লৌরক্তবা হায়বা অসি মহৌশানি।

ঐখোয়গী পূন্সি লম্বী লমশাংদা মণিপুরী লোলবু ইন্দিয়াগী সেদ্যুল লোলশিংগী মনুংদা য়াওহনবীয়ু হায়দুনা চঙশিনখিবা খোঙজং থেংনখিবা মায়োক্লখিবা কয়া অদুগী মহয় কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্ট ২০, শগোলশেল নুমিৎতা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোইনা অয়াবা পীখিবা নুমিৎপু থৌরম পাঙথোক্লিবদু মীয়ামদুগী ঈহৌননি হায়না কাউবীদবসু ফৈ। কংলা মণিপুরীশিংগী শেংলবা লৈঙাক্লোন অমদি খুন্থোকলোনগা থাগোন্ননা তৎনবা থানবা য়াদ্রবা মফম অসিদা বৃটিশ ইন্দিয়ানা মণিপুরবু খুদুম চনখিবা ১৮৯১ এপ্রিল ২৫দা য়ুনিয়ন জেককী ফিরাল পাইহনখিবা নুমিৎ অদুদগীনা চহী ১১৩ চূপ্না অসাম রাইফলসনা তৌনীংবা তৌবা, মখোয়গী খুবাম্নুংদা থল্লম্বা লোইখিবদু মণিপুরী মীয়ামগী ঈহৌনা ওইখিবা ঙাক্তনি। অনৌবা এসেমব্লি শারিবা, অনৌবা সেক্রেটরিএট শেমগৎ-শাগৎলিবা মণিপুর মশা ওইবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর লিংবা ঙল্লিবা ৱায়েল বিচার খুদিংমক ষ্টেটকী থাক্তা তৌবা য়াবা তৌরিবা অসি লৈঙাকশিংনা মথং-মথং চত্থরকখিবা অদুগী মহয়নি। লৈঙাক হায়বা অসি মতম মতমগী লৈরিবা, পাল্লিবা অদুনা মমাঙদা তৌরম্বা কয়াদুগী মখা শমথবদুনি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা অদু তৌরম্মী, অদা হায়রম্মী মদুদি চিন কাংজৈ কৌই। গোল চনবসু ঙল্লোই, খুদিংমক আউট তাদুনা তোক্কনি। অফবা খুদিংমক মখা শমথবা তারে। ফত্তবা অশোয়বা কয়া শেমদোকপা-চুমথোকপা তারে। ঐখোয় পূম্নমক ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিন্দুনা দেমোক্রেসিবু থাজদুনা মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা লীংবা লৈঙাক অমা লৈরিঙৈদা মীনা মীবু হাৎপা, মীগী মরল মথুম, সম্পতি কয়া মৈ থাদুনা মাঙহন তাকহনবা, হুবা য়াবা হুহনবা, লাকপা ফোইবা, তৌনীং তৌনীং তৌহনবা মীওই ফূরুপ অমনা মীতৈ ফূরুপ্পু চথোক চৎশিন্দা অথিংবা থম্বা পূম্নমক লৈঙাক্লাম তম চানা ৱারোইশিন থম্বদুনি মীয়াম্না পাল্লিবা। চৈনবা লাউনবা, অৱাই অখুমদি তাবদা শোয়দনা ৱারমগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।